# DISABLED ওইরবা মীওইশিং অমসুং মখোয়দা য়েংলিবা মীৎয়েং

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —
প্রসিদেন্ট, ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটি, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ
dr.smanikanta@gmail.com



মেদিকেল সাইন্স মপূং ফানা চাওখৎলে। অদুবু মীওইবগী পুন্সি তাঙ্কক কয়াদা লায়না লাইওং অমদি খুদোংথীবা কয়া মায়োক্নরি। মসিনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া অমদি মীগা মীমান্নদ্রবা অমগুম পুন্সি লেল্লি। হায়রিবা লায়না লাইওং অসি মমা পূক্নুংদগী ওইরকপা (Genetic Disorder), মিরোল্লিঙৈদা শোকপা-পনবা, ময়াই কাবা পোৎশক শীজিন্নবা, Toxin নৎত্রগা infection তৌখিবা, মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা ৱাৎপা, ন্যুরোলোজিকেল দিসওর্দর নৎত্রগা মেন্টেল ইলনেস কয়ামরুম অসিনা ঙসিদি Disabled ওইরবা মীওই কয়ামরুম ঐখোয়গী ইরক্তা লৈবা থেংনরি। তোয়না থেংনবা দিসএবিলিটি খরগী মনুংদা মখাগীশিং অসি পনবা য়াই-

১) মিৎ উবগী চাং ৱাৎপা (Visual Impairment).

২) না তাবগী চাং হন্থবা (Hearing Impairment).

৩) হকচাং লেং-ওৎপা ঙমদবা (Loco Motor Impairment).

৪) বুধি লৌশিং ৱাৎপা অমসুং ৱাখল লায়না (Mental Retardation and Mental Illness).

৫) লাইরিক লাইশু তম্বদা থেংনবা খুদোংচাদবা কয়া (Learning Disability).

৬) ন্যুরোলোজিকেল দিসওর্দর

৭) মপূং ফানা ঙাঙথোকপা ঙমদবা নৎত্রগা লোন থোক্তবা (Speech and Language Disorder).

হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা মেন্টেল রিটার্দেসন নৎত্রগা ইন্টিলেকচ্যুএল দিসএবিলিটি হায়রিবা অসিসু অমনি। মসি চহী তরানিপান মখাদা লৈবা মীওইশিংদা লৈবা লাইওং অমনি। অঙাং অমগী বুধি লৌশিং তানশিনবদা মপূং ফাবা ঙমদবা, লৈফম থোকপা চাং অদু য়ৌবা ঙমদবগী থৌওং অমনি। মরম অসিনা মহাক্কী ইন্টিলিজেন্স হায়বদি খঙবা অমদি লৌশিনবা ঙম্বগী চাং হন্থবা, ঙাঙথোকপা অমসুং ফোঙদোকপা ৱাৎপা, অকোয়বগী ফীভমগা চুশিন্নবা অমসুং মথৌ তাবা পোৎলমশিং ফংবা ঙমদবা কয়া থেংনগনি। চাওরাক্লা লৈরিবা মীশিংগী চাদা ২.৫-৩দি মেন্টেল্লি রিটার্দেদ ওইবা য়াই। মসি মখোয়না চাওরক্লগসু ফগৎপগী ৱাফম লৈতে। অঙাং অমবু মেন্টেল্লি রিটার্দেদ ওইরে হায়বসি করম্না খঙগদগে। অঙাং অমা মেন্টেল্লি রিটার্দেদ ওইরে হায়বা মহাক্কী I.Q (Intelligence Quotient) য়েংলগা হায়বা ঙম্মী। অঙাং অমগী আই ক্যু অদুনা ৭০-৭৫গী মখাদা লৈরবদি অঙাং অদু মেন্টেল্লি রিটার্দেদ ওইরে হায়না খঙনবা য়াই। অদুবু আই ক্যু টেষ্ট খরদি চহী মঙাগী মখাদা লৈবা অঙাং অমদা হেক্তা তৌবা য়াদে। মরমদি মসি পর্ফোর্মেন্স টেষ্ট অমনি। অঙাং অদুনা টেষ্ট খরদা তৌবা ঙম্বা চাং অদু য়েংলগা মহাক্কী আই ক্যু লেপকদৌরিবনি। মীচম অমনা অঙাং অমা মবুধি মরৌশিং আই ক্যু ৱাৎলে হায়বসি করম্না খঙগনি। অঙাং খরদি পোকপদগী হৌনা বুধি লৌশিং ৱাৎপা অঙাং ওইবা য়াই। অসিগুম্বা অঙাংশিংদা Normal Motor Developmental Milestone শিং অদু থেংথবা/থিন্থবা য়াই। খুদম ওইনা মিৎ উবগী মতম থিন্থবা, থা অহুম হেল্লবা ফাওবদা মঙক পুবা ঙমদবা, ফম্বা, উপ্পা, ষণ শাবা, লেপ্পা, চৎপদা অঙাং অতৈগা য়েংনবদা য়াম্না থেংবা, মরোল থোকপা ৱাৎপা, ঙাঙবা ঙমদবা কয়া থেংনবা য়াই। অঙাং অদুবু লোয়নরিবা পেরেন্টস নৎত্রগা গার্দিয়ান অদুনা অঙাং অদুগী Adaptive Skill য়েংলগা Questionnaire কয়ামরুম শীজিন্নদুনা অঙাং অদুগী চাওরাকপা আই ক্যুগী চাং খঙদোকপসু য়াই। মসিনা তুংদা ঐখোয়না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা মতেং পাংগনি। অদুবু কা হেন্না আই ক্যু নেমদবা অঙাং খরদদি স্কুল চৎপা মতুং হায়বদি লাইরিক তম্বা হৌরবা মতমদা থেংনবসু য়াই। ন্যুরোলোজিকেল দিসওর্দর খুদম ওইনা Encephalitis, Meningitis তৌবা অঙাংশিংদা নারুরবা মতুং ইখঙ খঙহৌদনা ইন্টিলেকচ্যুএল অমসুং এদাপ্টিভ স্কিল কয়া হন্থবগী লাইওং উৎলকপসু য়াই।

মেন্টেল রিটার্দেসন মখল মরি থোক্লা খাইদোকপা য়াই-

১) Mild Mental Retardation - Mentally Retarded ওইবা মীশিংগী চাদা ৮৫দি কেটেগোরি অসিগী মনুংদা লৈ। মসি আই ক্যু ৫০-৭৫গী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনি। সিক্স ষ্টেন্দর্দ ফাওবা লাইরিক লাইশু তম্বা ঙম্মী। সোসল সপোর্ট খরগা লোয়ননা মতোমতা পুন্সি লেনবা, হিংবা ঙম্মী।

২) Moderate Mental Retardation :- চাদা তরাগুম্বা অমদি কাঙলূপ অসিদা চল্লি। আই ক্যু ৩৫-৫৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনি। মী অমগী সুপরভিজন মখাদা মশা মথন্তা ক্যের লৌজবা ঙম্বা য়াই। গ্রুপ ওইনা হোমগুম্বদা লৈবনা হেন্না খুদোং চাগনি।

৩) Severe Mental Retardation : চাদা ৩-৪ ফাওবদি কাঙলূপ অসিগী মনুংদা লৈ। মসি আই ক্যু ২০-৪০ ফাওবদা লৈবা মীওই কাঙলূপনি। মখোয়শিং অসি তঙাইফদবা বেসিক সেল্ফ ক্যের স্কিল তম্বীবা মথৌ তাই।

৪) Profound Mental Retardation : চাদা ১-২ ফাওবদি মখোয়গী আই ক্যু অসি ২০-২৫গী মখাদা লৈবা থেংনৈ। অখন্নবা মীৎয়েং, সপোর্ট অমসুং ত্রেনিং পীদুনা মখোয়বু য়েংশিনবীবা মথৌ তাই।

মেন্টেল রিটার্দেসন হায়বা লাইওং অসি লায়েংলগা ফগৎলক্কদবা লৈতে। মরম অসিনা মখোয়বু Adaptive Skill কয়া তম্বীবা চঙই। মখোয়গী ফিল্লিং খঙবগা লোয়ননা মখোয়না তৌবা ঙম্বশিং অদু খঙদোক্তুনা লোয়নবিবা হায়বসি তঙাইফদে। মেন্টেল রিটার্দেসন থোকহনবা য়াবা মরম খরা খঙমিন্নসি-

১) Genetic Disorder - পারি পুরিদগী ওইরকপা, লৌনরকপা লায়না

২) মিরোল্লিঙৈদা - আইওদিন অমসুং ফোলিক এসিদ ৱাৎপা চিঞ্জাক চাবা
- ময়াই কাবা পোৎশক য়ু, টোবেকো শীজিন্নবা
- রেদিএসন, টোক্সিন কয়া এক্সপোজ তৌখিবা
- অখঙ অহৈ তান্নদনা হীদাক লাংথক চাবা
- Syphilis, HIV, Rubelia নৎত্রগা অতোপ্পা অনাবশিং নাখিবা
- দাইবেটিস, হার্ট, কিদনিগী লায়না লৈবা মমাশিং

৩) অঙাং উন্নবদা ঈ হাথখিবা নৎত্রগা খুদোং চাদবা মায়োক্নখিবা

৪) অঙাং অদু পোক্লবা মতুংদা লাইহৌনচিংবা হৌদুনা কন্না নাখিবা, জোন্দিস তৌখিবা, য়াং চিংখিবা

৫) কোক শোকপা (Head Injury), TB, JE, Meningitis নাখিবা, মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা ৱাৎপা কয়ামরুম অসিসু মেন্টেল রিটার্দেসন ওইহনবা, থোকহনবা য়াবা মরমশিংনি।

অঙনবা মতমদগী হৌনা মেন্টেল রিটার্দেসন অমসুং অতৈ দিসএবিলিটি কয়াগী থৌওং অসি থেংনদুনা লাক্লে। অদুবু খুন্নাইনা মখোয়বু থৌজালগী মীৎয়েং অমগা লোয়ননা য়েংবীবা হায়বদুদি ওইরমদে। মখোয়শিং অসিবু ফেমিলি নৎত্রগা খুন্নাইগী পোৎলুম অমনি হায়না লৌরম্মী। 13th Century মতম অদুৱাই ফাওবদা মখোয়শিং অসি ইমুংগী মীওইশিংগা পূন্না লৈবা য়াহল্লমদে। তোঙান্না ইন্সটিট্যুসন কয়াদা থম্লম্মী। 19th Century গী লোইশিল্লকপা মতমদা Charles Darwin গী 'On the Origin of Species' হায়বসিদা য়ূম্ফম ওইরগা ইন্টিলেকচ্যুএল দিসএবিলিটিশিং অসি মচা পোকপা ফাওবা য়াহনখিদে। মসি 20th Century গী অঙনবা শরুক্তা য়ূম পানবা য়াহন্দবদা নত্তনা মচা পোক্তনবা Sterilization তৌবগী থবক কনখৎলম্মী। মসিমক্তি হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেট তৌবগী অচৌবা থৌওং অমনি। মসিদসু নত্তনা এদোল্ফ হিটলরগী মতমদা Intellectually Disabled ওইবা কয়াবু Mass Murder তৌখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। হৌজিক্তি Disable শিংদা ঐখোয়না লান্না য়েংলিবা, খল্লিবা, উরিবা অসি খরগী মখৈদি হন্থরে। Disabled Person শিংনা নোর্মেল পিপল অমদগী হেন্না তৌবা ঙম্বা কয়া ঙসিদি হীরম কয়াদা উৎখ্রে। মীওইবা হায়বসি অফবতবু ইশাগী ওইনীংই। ফৎতে হায়বদা শাউরোইদবা মী লৈতে। Disable ওইরবা মীওইশিংগীসু পুন্সি অমা লৈরি হায়বসি খঙবা ঙমদে, উনবা হোৎনরুদে, মখোয়গী পুন্সিবু খঙনবা হোৎনদে, মী অমগুম থানদে। কান্নদ্রবা ফবা ঙম্লরোইদবা, শিবা ঙাইবা অমগুম লৌনরকই। মতাং অসিদা থৌদোক অমা নীংশিংলকই। ধনবির ইন্দিয়ন আর্মিদগী পোত্থারবা ওফিসর অমনি। য়াম্না নুংঙাই য়াইফবা ইমুং অমনি হায়বদি য়াদে। মচা অনী লৈ, নুপা অমা নুপী অমা। নুপানা অহলনি। মচানুপা ইন্দিয়ন আর্মিদা মেজর ওইরি। Sino-Indian Border দা পোষ্টিং তারি। মচানুপী পোকপদগী মীরোল তাদ্রে। মেন্টেল্লি রিটার্দেদ ওইরে। মতম পূম্বদা মহাকপু য়েংশিনবা মথৌ তারকই। মহাক্কী নুপীসু বি পি ষ্ট্রোক তৌরুবদগী শোন্দুনা লৈরে। মরম অসিনা মচানুপী অদু শেন্নবনা মহাক্কী মথৌদাং ওইরম্মী। য়ূম অদুদা মী ৱাৎপগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরম্মী। মচানুপাগা তোয়না পাউ ফাওনদুনা ছুটি লৌথোক্লো, য়ূমদা থোরক্লো। য়ূম-কৈ পান্নবা তৌরসি হায়দুনা ৱারী শানৈ। মচানুপানসু মপাগী ৱাফম অদু য়ারদুনা য়ূমদা থোক্লবা থৌরাং তৌদুনা লৈবনি। অদুবু হৌজিক Sino-Indian Border দা টেন্সন ৱাংবা মরম্না ময়ূম থোরক্নবগী ওইথোকপা লৈখিদে। অসুম্না মচানুপাগা ফনা কুইনা পাউ ফাওনদনা লৈরবা মতুং নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা ফোন লাকখি। পাখৎনা হংখি ইবুংঙো নখোয় করম তৌরি। হৌজিক মফমদু টেন্সন খরা হন্থরব্রা, ঈরাং লৈরিব্রা। ঈরাং নেল্লে, সিচুএসন ফগৎলে। ঐ অমুক ফোন তৌরক্কে হায়রম্লগা ফোন থমখি। তশেংবদি লেন দমাইন পোকখায়বদা মচানুপাদু মমিৎ অনীমক শোক্তুনা মিৎ উদবা হায়বদু ওইরম্মী। থবক্তগী পোত্থানবা রেকমেন্দ তৌখ্রবনি। মপাদা ৱাফম অদু হৌদোকপা ঙমদনা লৈরকপনি। ময়ূমদা ছুটি থোরক্তুনা লৈবা মতম অমদা মপানা মচননুপীগী মরমদা ৱারী শাখিবা ৱাফম অদু নীংশিংদুনতা লৈখি। নচননুপীনা ওইরিবা ফীভম অসি ওইরমদ্রবদি ঐখোয়গী ইমুংসে নুংঙাইবা ইমুং হায়বদু ওইরমগদবনি। হৌজিক্তি মাবু শেন্নবতনা ঐখোয়গী ইথৌ ওইরে। হিংবগী মহাওবু কদায়নো। ঐখোয়গী ইমুংসে লৈকায়না ফাওবা চঙনীংদ্রে। নহান মপোক্তা লংজখিবা পাপনা ঐনা ঙসিগী ফীভম অসি ওইরিবনি হায়দুনা পুন্সিবু ৱারৌখি। অসিগুম্বা মপাগী মেন্টেল ষ্টেটস অদুদা মহাক্কী হৌজিক ওইরিবা হকচাংগী ফীভম অদু হায়রুবা তারবদি মপাদা পুঙমদবা পোৎলুম অমা হাপচিনবা ওইনা থোক্লগনি খনবদগী মপাদা ৱাফম অসি কাঙথোকপা ঙমখিদবনি। মপাদা মহাক্কী ওইরিবা ফীভম অদু উৎনীংদবদগী য়ূমদা পুন্সিগী ওইনা চৎলরোই হায়বা ফিরেপ লৌখি। ৱাফম অসিমক মপাদা চিঠি ওইনা ইদুনা ফোঙদোকখি। অসুম্না নুংশিরবা মচানুপা কায়নবগী মৈচাক ফংহৌখি।

অসিদসু নত্তনা দিসএবল ওইরবা মীওই কয়া নুংশিনদুনা ময়ূম-মকৈ পান্দুনা মচা লৈরবা ফাওবদা মহাক্কী মপুরোইবা নৎত্রগা লোয়নবী অদুনা অমনা অমবু মুন্না অন্দরষ্টেন্দ তৌবা ৱাৎপা, মখোয়গী ফিল্লিং, ইমোসন খঙবা ৱাৎপগা লোয়ননা Empathy লৈতবা কয়ামরুম অসিনা Disabled ওইরবা পার্টনর অদুবু লান্না উরকই। খুরৌ থাংবা অমগুম লৌরকই অমসুং মখোয়বু থাদোক্লগা পুন্সিগী মায়ওন অমদা হিংনবা হোৎনরকই। অসুম্না Disabled ওইরবা মীওই কয়া হন্না য়েংবীনবা লৈতনা পুন্সি লেনবসু য়াওদবা নত্তে। মেন্টেল্লি রিটার্দেদ ওইরবা নুপী কয়া Sexually Abuse তৌখিবগী থৌদোক কয়াসু তোয়না থোক্লি। ঐখোয়না হংবা য়াবা ৱাফম অমদি Disable ওইরবা মীওইশিং অসিনা পীরিবা চৈথেং অসিগা ঐখোয়না মখোয়বু তাথী তাওইনা তৌরিবা মওং, মখোয়দা ঐখোয়না থল্লিবা ৱাখল, মখোয়বু মশক খঙনবা হোৎনদবা, মখোয়গী ফিল্লিং করিনো থিজিনবা ৱাৎপা, মখোয়গী অৱাবদা উবীদবা, ঐখোয়না মখোয়দা য়েংলিবা মীৎয়েং অসিগা করিগুম্বদা চাংদম্নদুনা য়েংখ্রবরা?? ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ চীং-নুমিৎলৈ # ৩৩২

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

নুমিৎলৈ নত্তবা চীং-নুমিৎলৈ নৎত্রগা লম-নুমিৎলৈ হায়রিবা পাম্বী অসিসু ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদসু হৌই। চীং-নুমিৎলৈ হায়না কৌবগী মরমদি পাম্বী অসি নুমিৎলৈ পাম্বীগা মশক য়াম্না মান্নবা অদুগা চীংগী মফমশিংদা নৎত্রগা লমহাংদা হৌবা মরম্নি। চীং-নুমিৎলৈ পাম্বী অসি ইংলিসতা জাইন্ট মেক্সিকান সনফ্লৱর (Giant Mexican Sunflower) নৎত্রগা জপানিজ সনফ্লৱর (Japanese Sunflower) নৎত্রগা স্রর্ব সনফ্লৱর (Shrub Sunflower) নৎত্রগা ত্রী মেরিগোল্ড (Tree Marigold) নৎত্রগা মেক্সিকান তৌরনসোল (Mexican tournesol), হিন্দিদা কাতু সুর্য়াকান্থি (Surya Kanthi Kattu), জপানিজদা নিতোবেগীকু (Nitobegiku), মরাথীদা কনক গোল (Kanak Gol), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *তিথোনিয়া দাইবরসিফোলিয়া (Tithonia Diversifolia (Hemsl.) A. Gray)* নৎত্রগা তিথোনিয়া ত্রাইলোবা (Tithonia Triloba Sch. Bip. ex Klatt) নৎত্রগা মিরাসোলিয়া দাইবরসিফোলিয়া (Mirasolia diversifolia Hemsl.) নৎত্রগা উরাবানিসোল তাজে তিফ্লোরা (Urbanisol Tagetiflora Kuntze) হায়না কৌই অমসুং এসতরেসী Asteraceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি নুমিৎলৈ (Helianthus Annus L.), উচীশুম্বল পাম্বী (Eclipta prostrata), সনালৈ নৎত্রগা সনারৈ পাম্বী (Tagetes erecta L.), তেরাপাইবী পাম্বী (Gynura Cusimbua D. Don.) অসিনচিংবনি। চীং-নুমিৎলৈ পাম্বী অসি ভেরাইটি মখল অনী লৈ। মখোয়শিং অদুদি - ভেরাইটি দাইবরসিফোলিয়া অমসুং ভেরাইটি গ্লেব্রিয়সকুলা (glabriuscula) অসিনি।

চীং-নুমিৎলৈ হায়রিবা পাম্বী অসি চহী অমদগী অনী ফাওবা পুন্সিবা, মশা য়াম্না লোংগনবা অমদি চবুন ওইনা হৌগনবা ফুট ১৫ ফাওবা ৱাংবা পাম্বীনি। পাম্বীগী মখোক অদু উগুম্না কল্লি। মনা অদু নায়াৎ য়াম্না নাই অমসুং মতু চোমই। লৈশিং অদু হঙ্গাম মপাল মচুদা হেক য়েংবদা নুমিৎলৈগী অপিকপা মপালগুম্না উই। চীং-নুমিৎলৈ পাম্বী অসি ময়ায় থংবা অমেরিকা মরু ওইনা পানামা, কোষ্টা রিকা, হোন্দুরস, গ্বাতেমালা অমসুং মেক্সিকোদগী হৌরকখিবনি। পাম্বী অসি মিটর ২০০দগী ২.৩০০ ফাওবা ৱাংবা, খরা শারপ তৌবা অমসুং অশাবা মফমশিংদা চুশিন্ননা হৌই। চীং-নুমিৎলৈ পাম্বী অসি নোং ইচু চুদবা মফমশিংদা অদুমক হৌবা ঙম্মী। পাম্বী অসি থা ৫দগী ৮ ফাওবা মপাল শাত্তুনা লৈবা ঙম্মী।

চীং-নুমিৎলৈ পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। পাম্বী অসি হঙ্গাম মপাল মচুগী ফজরবা লৈশিং মতম শাংনা শাৎপা মরম্না লৈকোলশিংদা থানৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না চীং-নুমিৎলৈ পাম্বী অসি থাবনা থারিবা মফম অদুগী লৈবাক-লৈশা অমদি লৈহাও হেঙ্গৎহনবা ঙম্মী। পাম্বী অসি চুজাক, হৱায়, খামেন অশীনবা অমদি অতোপ্পা মহৈ-মরোংশিংগা পূন্না থামিন্নবদা মহৈ-মরোংশিং অদুগী পোত্থোক হেঙ্গৎহনবা ঙম্মী হায়নসু পাউদল্লি। চীং-নুমিৎলৈ পাম্বী অসি শা-ষণনা চাদবা মরম্না মনা-মশিং থাবা ইঙ্খোলগী অকোয়বদা শম্বল ওইনা থানৈ।

চীং-নুমিৎলৈ পাম্বী অসি মখল মখা কয়াগী অনা লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। চীং-নুমিৎলৈ পাম্বীগী মনা অমসুং মরূদা থাউ অমা য়াওই অমসুং হায়রিবা থাউ অদু এনোফেলিস গেম্বী (Anophales gambiae) হায়রিবা কাঙ অসি মপূং ফানা হাৎপা ঙম্মী। পাম্বী অসিদা টাজিতিনিন (Tagitinin) হায়রিবা সেসক্যূটরপীন লেক্তোন (Sesquiterpene lactone) অসি চাং ৱাংনা য়াওই অমসুং মসি মখল-মখা কয়াগী তীলশিংসু হাৎপা ঙম্বগী পাউদমসু লৈ। মরম অসিনা চীং-নুমিৎলৈ পাম্বীগী মনা শুগাইদুনা লৌবা মহী নৎত্রগা অকংবা মকুপশিং অদু মহৈ-মরোং অমসুং মনা-মশিংদা চাইথোক্তুনা লায়না-তীলনা কয়াদগী ঙাকথোক্নে। চীং-নুমিৎলৈ পাম্বীগী মনা অদু ইথানোল হায়রিবা য়ু অদুদা শুগাইরগা শেন্বা মহী অদু মখল কয়াগী কোকফাই-শুজাশিং হাৎপা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। চীং-নুমিৎলৈ পাম্বীগী অকংবা মনা মকুপ অদু মিথানোল হায়রিবা য়ু অদুদা শেন্বা মহী অদু খোঙ-খূৎ লৈথেক্তুনা চীকপা-নাবা তৌবদা তৈবদা কান্নবা ফল ফংবগী মথক্তা ওদেমা নৎত্রগা ইদেমা হায়না খঙনবা মীওইবগী হকচাংদা ঈশিং হাগৎপা নৎত্রগা পৈখৎপা তৌদুনা পোমখৎপা অদু লায়েংনৈ। হায়রিবা অনাবা অসি দ্রোপসী নৎত্রগা হাইদ্রোপসি হায়নসু কৌনৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না চীং-নুমিৎলৈ পাম্বী অসি গ্রাম পোজিটিভ অমসুং গ্রাম নেগেটিভ বেক্তিরিয়া হায়রিবা হিংকুপশিং অসি হাৎপা ঙম্বগী মগুণশিং য়াওই। চীং-নুমিৎলৈ পাম্বীগী মনা অসি থিবোং-থিরিলগী অমদি ঈশিং মরীগী অনাবশিং লায়েংবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। চীং-নুমিৎলৈ পাম্বীগী মনা অদু চাদা ৮০গী মপাঙ্গল লৈবা ইথানোল হায়রিবা য়ু অদুদা তীংদুনা লৌবা মহী অদু পীথকপদা মীওইবগী ঈদা য়াওবা গ্লুকোজগী চাং অদু হাপ্তা ৩গী মনুংদা হন্থহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। মরম অসিনা চীং-নুমিৎলৈ পাম্বী অসি টাইপ ২ (Type 2) ঈশিং পুকচৎ অসি লায়েংবদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়বসিনি। পাউদম অমগী মতুংইন্না চীং-নুমিৎলৈ পাম্বীগী মনা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু মলেরিয়া হায়রিবা অরুম-লাইহৌগী লায়না অসিসু লায়েংনৈ। হায়রিবা শুগাইবগী চহী অদু খোং হান্বা য়াদবা, চাকখাউ নাবা, চাবা তুমদবা, খৌনাও নুংঙাইতবা অমসুং ফিরাক্কী অনাবশিংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ হায়নসু পাউদম অদুনা মখা তারি। অশোক অপন তৌদুনা ঈ থোকপদসু চীং-নুমিৎলৈ পাম্বীগী মনা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু তৈবদা ঈ অদু থুনা খকহনবদা মতেং পাংই।

চীং-নুমিৎলৈ পাম্বী অসি থাইলেন্দগী মে হোঙ্ সোন (Mae Hong Son) প্রোভিন্সগী সিম্বোলিক লৈনি হায়না শক খঙলিবনি। চীং-নুমিৎলৈ পাম্বী অদু পুমথহল্লগা শেন্বা হার অদু থোইদোক হেন্দাক্লা মগুণ লৈ। লৈরায় তোয়না নীংখাইগনবা চীংগী চীংমায়শিংদা চীং-নুমিৎলৈ পাম্বী থাবদা চীং নীংখাইবা অদু য়াম্না হন্থহনবা ঙম্মী। চীং-নুমিৎলৈ পাম্বীগী মনা অদু কূপ্না কল্লগা অতোপ্পা মচাক খরগা য়ানশিন্নরগা য়েনগী মচিঞ্জাক ওইনসু পীজনৈ। পাম্বী অসি ভিয়েটনামগী দা-লাট (Da Lat) সিটিগী সিম্বোলিক ওইনসু শীজিন্নৈ। টাইৱানগী কৈথেলশিংদা চীং-নুমিৎলৈ পাম্বীদগী শাবা হীদাক মখল কয়ামরুম য়োনবা থেংনৈ। চীং-নুমিৎলৈ পাম্বী অসি শীং (Firewood) গী মগুণসু ফজনা য়াওই। ●


## / MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of Class-X of 2014 bearing Roll No. 27106 issued by BOSEM on the way between Langthabal and M.U. on 01/03/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Konjengbam Chinglensana Meitei**
Langthabal Lep Mayai Leikai
# 8798017098

HL-P/1862/12

## / HONDA ACTIVA 6G STD LOST

My Honda Activa 6G STD, Decent Blue Metallic in colour bearing Regn No. MN06SF-2208 having Engine No. JF91EG0368526 and Chassis No. ME4JF913BMG369035 was stolen while the vehicle was parked infront of the gate of the PHC Kakwa on 26th February, 2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **R.K. Premeshor Singh**
Singjamei Mathak Thokchom Leikai

HL-P/1693/12

## / হরাউবনা অমুক্তোইবা



সুধাকর (শামু)

ঐগী ওই থংবা কিদনীদা 6mm অমসুং 5mm গী নুঙ অনী অদুগা য়েৎ থংবা ঈশিং মরীদা 9mm চাওবা নুঙশিং লৈরম্বা অদু সগোলবন্দ খন্নাম লৈরক আই.টি.আই. মনাক ইম্ফালদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা পাবুং লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্দী (মেদিসিন)গী অনীশুবা মচানুপা লাইশ্রম সুধাকর (শামু), হর্বেল ফিজিসিয়ান স্পেসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি ইন ষ্টোননা লায়েংবীবদগী হপ্তা মরি শুবদা কিদনিগী নুঙ অনী অদু তাহনখ্রে। অদুগা নুমিৎ নীনি চোম্থরগা অমুক য়েংকী ঈশিং মরীগী নুঙ অদু অমুক তারক্লে। মসিগীদমক্তা পাবুং অমসুং মচানুপা সুধাকরবু থাগৎচরি।

Sd/- **Moirangthem Arunkumar**
Takyel Khongbal Moirangthong

HL-P/1860/11,12,13

## / "লীৱা তাবা" মোইরাং য়েক শলাই সোইবম শাগৈগী পাউজেল

লাক্লিবা মার্চ থাগী তাং ১৫, ২০২২ ইং, লমতাগী ১২নি পানবা নুমিত্তা সোইবম শাগৈগী লাই-চাকলোন কৎপা থোক্লে। মরম অসিনা অনকপা অমসুং অরাপ্পদা লৈবা শাগৈচা পূন্নমক্না হৈরাং-লৈরাং কৎপা য়াওবীয়ু। অকুপ্পা মরোলগীদমক শাগৈগী পিবাগা তাং ১৩/৩/২০২২ ইং ফাওবগী মনুংদা উন্নবীয়ু।

পাউজেঞ্জরিবা :-
**সোইবম মীঙম্বা মৈতৈ (শাগৈগী পিবা)**
হৈরাঙ্গোইথোং মখা মাইবম লৈকাই, ইম্ফাল।
# 7005173878

HL-P/1697/12

## MANIPUR UNIVERSITY

## / TENDER NOTICE

**Dated 11th March, 2022**

**No.MU/14/ProjectCell/Tender/2019/916 :** Manipur University invites sealed tenders from firms for supply of Equipments, Consumables and IT items. Terms & Conditions for submitting the bids can be downloaded from the website www.manipuruniv.ac.in.

Sd/-
**Purchase Officer**
**Manipur University**
**Canchipur**

HL-B/7527/12

## পাবিয়ু য়েংবিয়ু

পূন্সিগী থৌদোক খরদা য়ূম্ফম ওইবা শাফু কল্লবা উপন্যাস ঐচ রাধাকান্তগী

**নয়নী**

লোন্দা পুদাগী নুংঙাইরবা মিত্রংনা লুরবা তুরেলগী ঈচেলগুম চেন্থরিবা পাখ্রবদি লেপ্পিংদবা অঙকপা অমনি - এন ডাইনা

HL-P/1689/10,12,14
**HHG Academy Ghari**

## / CHAHIGI DASHA YENGJARI




Apaiba dasha, Yeknaba, Laina-tinna, Thabak-Karbar, Mahei-Mashin, Awangba Pariksha, Shel-Thum Putthaba, Yum-Ingkhol, Lou, Yumbal, Nupi-Angang, Macha Yaodaba, Haina-Tannaba Indaba, Nishada Laichuba, Paknaba Gari, Lucky Stone nachingba, Khubak Mayi amadi Kuthidagi Kupthana Yengjari. Lakpa Ngamdabasingi Online dasu yengjari.

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra (International Renown Astrologer)**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456

HL-P/1841/6/3-7/4 (alt)

**/ খোঙ হান্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হান্বা মতমদা অমাংবদু পয়াগুম্না লিক্লা তারকপা খোঙ হান্বা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা কোবিলৈগুম্না পোমথোরকপা, খোঙ হান্বা লোইবগা মশানা অমুক হঞ্জিনখিবা, খোঙ হান্বা লোইবগা অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবা, করিগুম্বা খোঙ অকনবা তোইনা হাল্লকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংগী খুজিনবা অদুদা খেগায়রগা অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপনা য়াম্না থুপ্পা অমদি শাবা, খোঙ হান্বা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা কোবিলৈ শাৎপগুম্না পোমথোরকপা, অসুম্না পোমথোরকপা অদুনা খোঙ হান্বা মতমদা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হান্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা মিনিট ৫ মুক চিক্লগা লৈবা, প্যেন কিল্লর চারবসু ঙাইহাক্তং নুংঙাইরম্লগা অমুক চিক্লকপা, লৈকাইগী অশেন্বা হীদাক চারবসু নোংমা-নীনি ফরম্লগা অমুক হৌরকপা, ঈশিং অশাবদা ফল্লবসু ঙাইহাক নুংঙাইরম্লগা অমুক চিক্লকপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা অমদি ঈ ৱাৎপা অদুনা কোক ঙাওরকপা, খোঙ হান্বা মতমদা পয়াগুম্না য়াম্না লিক্লা তারকপা, অমাংবদু মপান্দা লোইনা থোক্লকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা, লৌথোকহৌদ্রগনা অমাংথোঙদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হান্বা লোইরগা মশানা অমুক হৌরকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম : 1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **O. Jeevan Meitei**
Moirang

HL-B/7498/12


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।